ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Wednesday, January 20, 2021, Imphal 





ধোনীনা থল্লম্বা ৱিকেট কিপর অমনা টেষ্ট রন ১০০০ য়ৌবগী রেকোর্দ অদু শুপ্পগী ইন্নিংস ২৭তা য়ৌবা ঙমদুনা ধোনীগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙমখ্রবা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী ৱিকেট কিপর ওইরিবা রিসব পন্ট

ইজিপ্টকী কোনুং কাইরোদা পাঙথোক্লিবা ২৭শুবা মেন্স হেন্দবোল ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা চিলিগী মায়োক্তা পাঙ্গল চন্দুনা হরাউবা ফোঙদোক্লিবা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী কিরিল লাজারোব

## হায়দরবাদ এফ সী অমসুং ওরিষা এফ সী পাঙ্গল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎতুনা মখোয়গী মফম হোংখিদ্রে

20th Jan, Wednesday (65th Match)
Kerala Blasters
vs
Bengaluru FC
Time : 7:30 PM


হায়দরবাদ এফ সীগী কেপ্টেন এরিদেন সান্তানা (ময়াই)না ওরিষা এফ সীগী শান্নরোয় অনীগী মরক্তা বোল কাওখিবা

ফটোর্দা, জন্যুৱারী ১৯(এজেন্সী): গোৱাগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শান্নরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম ১১গী লম্বাদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা ওরিষা এফ সী অমসুং মরিশুবদা লৈরিবা হায়দরবাদ এফ সীনা ঙসি লম্বা তৌনখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬৪শুবা মেটচতা পাঙ্গল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী মখোয়-মখোয়না হান্না লৈরম্বা পোইন্ট টেবলগী মফমশিং অদুদগী হোংবা ঙমখিদ্রে।

ওরিষা এফ সী মমাংগী মেটচ ১১ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ অমখক মায় পাক্লগা মেটচ অহুম দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ ৭না মায়থীবা নংখিবনি। অমরোমদা, হায়দরবাদ এফ সী মখোয়গী মেটচ ১১দা মেটচ ৪ মায় পাকপা ঙমখিবা, অতোপ্পা মেটচ ৪সু দ্রো চৎখিবা, অদুগা মেটচ ৩না মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা টিম অনীমক মায় পাক্ননবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকখি। অহানবগী মিনট ১৫গী মনুংদা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি। মেটচকী ১৩শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী লিষ্টোন কোলাকোনা য়াম্না য়াঙনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা ওরিষা এফ সীগী দিফেন্দর লাম্হোক্তুনা পুশিল্লক্লগা খাইদোরকখিবদা হালিচরন নর্জারেনা কাওশিন্দুনা অহানবা পাঙ্গল অদু ওইখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইক্বেলাইজর লৈখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফকী মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা ওরিষা এফ সীগী কেপ্টেন কোল অলেকজেন্দরনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মান্নখ্রবা মতুং অহেনবা পাঙ্গল লৈখিদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখিবনি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 11 | 8 | 2 | 1 | 17 | 4 | 13 | 26 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 11 | 6 | 3 | 2 | 11 | 5 | 6 | 21 |
| 3 | FC Goa | 12 | 5 | 4 | 3 | 17 | 12 | 5 | 19 |
| 4 | Hyderabad FC | 12 | 4 | 5 | 3 | 16 | 14 | 2 | 17 |
| 5 | Northeast United FC | 12 | 3 | 6 | 3 | 15 | 16 | -1 | 15 |
| 6 | Chennaiyin FC | 12 | 3 | 6 | 3 | 10 | 12 | -2 | 15 |
| 7 | Bengaluru FC | 11 | 3 | 4 | 4 | 13 | 14 | -1 | 13 |
| 8 | Jamshedpur | 12 | 3 | 4 | 5 | 13 | 17 | -4 | 13 |
| 9 | East Bengal Club | 12 | 2 | 6 | 4 | 11 | 16 | -5 | 12 |
| 10 | Kerala Blasters FC | 11 | 2 | 4 | 5 | 14 | 20 | -6 | 10 |
| 11 | Odisha FC | 12 | 1 | 4 | 7 | 12 | 19 | -7 | 7 |

## ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মরিশুবা টেষ্ট মেটচতা ৱিকেট ৩দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ ৪গী টেষ্ট সেরিজ লৌখ্রে


৪শুবা টেষ্ট মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৩দা থোইদুনা সেরিজ ২-১দা লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী টিম্না হরাওবা উৎপা

ব্রিজবেন, জন্যুৱারী ১৯(এজেন্সী): ইন্দিয়াগা ওষ্ট্রেলিয়াগা ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবা টেষ্ট মেটচ ৪গী অরোইবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৩দা থোইদুনা সেরিজ অদু মেটচ ২-১দা থোইদুনা গভাস্কর-বোর্দর ট্রোফি রিটেন তৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না অখাঙ কনবা মওংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিং অদুবু তাঙ্কক কয়াদা মায়থীবা পীবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায়পাকপা ঙমখিবনি। কুমজা ১৯৫১দা টেষ্ট মেটচ অসিগী শান্নফম ওইরিবা গেবা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৭তুরগা ৪শুবা ইন্নিংসতা মায়পাকপগী রেকোর্দ অদু ঙসি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু টিম অদুবু মায়থীবা পীবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩২৯ লৌদুনা রেকোর্দ থুগাইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট পুৱারীদা ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা সেরিজ অমত্তা মায়পাকপা ঙমদনা লাকখিবা অদু কুমজা ২০১৮-১৯দা ঙমখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসি থারগা থংন-থংননা সেরিজ অনী মায়পাকপা ঙল্লিবনি।

থা অসিগী ১৫দগী শান্নবা হৌখিবা অরোইবা অমদি মরিশুবা টেষ্ট অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৬৯ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৩৬কী পাউখুম পীখি। মদুদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বেটসমেন অনী সরদুল থাকুর অমসুং ৱাশিংটন সুন্দরনা মথংশিংনা রন ৬৭ অমসুং ৬২ লৌবা ঙমখি।

ওষ্টেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা রন ২৯৪ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মায়পাক্ননবা রন ৩২৮গী টার্গেট থনমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা নহা বোলর মুহমদ সিরাজ অমসুং থাকুরনা মথংশিংনা ৱিকেট ৫ অমসুং ৪ লৌদুনা ফজবা ঙমখি। ঙরাং ইন্দিয়ানা রন ৪ লৌদুনা মখা তানা রন ৩২৮ লৌননবা শান্নবা হৌরকখি।

রোহিট শর্ম্মা ঙন্না রন ৭তা আউট ওইখি। চিটেশ্বর পুজারা অমদি সুবমান গিলনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা য়াম্না ফজবা স্কোর তৌদুনা অপূনবা স্কোর অদু ১৩২ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। রন ১১৪গী পার্টনরশিপ অমা শেমখি। গিল রন ৯১দা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন অজিনক্যা রাহনে অমসুং পুজারানা ইন্নিংস মখা চত্থখি। রাহনে রন ২৪দা আউট ওইখি। অদুবু রিসব পন্ট অমদি পুজারানা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা পার্টনরশিপ অমা শেমদুনা অপূনবা স্কোর অদু ২২৮ য়ৌহল্লকখি। পুজারা রন ৫৬ আউট ওইখি। অদুবু রিসব পন্টনা আউট ওইদনা রন ৮৯ লৌখিবা অদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৩দা মায় পাকপা ঙমখি।

মরক অসিদা সেরিজ মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা বোনস ওইনা লুপা ক্রোর ৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা গেবা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মায়থীরক্তবা চহী ৩২গী রেকোর্দ অদুসু ঙসি থুগায়বা ঙমখি। ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়ানা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

## অর্সনেলনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু পাঙ্গল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ১৯(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমাংদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা অর্সনেল ফুটবোল টিমনা হন্দক্কী সিজন অসিগী হৌরকপদা ফজবা ঙমখিদ্রবসু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মখোয়না ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু পাঙ্গল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অর্সনেলনা য়ূম্বু ওইদুনা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক পাঙ্গল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

পনবা য়াবদি, অর্সনেলনা মমাংদা শান্নখিবা রাউন্দ ১৮দা মেটচ ৭ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা মেটচ ৮ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ মখোয়গী মেটচ ১৭ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ ৫ মায় পাকখিবা, মেটচ ৪ দ্রো চৎখিবা অমদি মেটচ ৮ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৯ ফংবগা লোয়ননা টিম ২০গী লম্বা অসিদা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঙ্গল চন্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা থোমাসনা পীরকপা বোলদা পিয়েরে ওবামিয়ানা ৫০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঙ্গল চনবা ঙমখি। ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী পাঙ্গল হন্দোকপগী খূদোংচাবা ফংদ্রিঙৈ মিনট ৬০ চঙশিল্লকপদা অর্সনেলগী মখা তাবা এটেক অমদা ইমিল স্মিথ রোৱিনা পীরকপা বোল অমদা বুকায়ো সাকানা টিমগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু চনখি। শান্নবগী মখা চত্থরকপা অর্সনেলনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক মশীং হেনগৎলকখি।

৭৭শুবা মিনটতা অর্সনেলগী সেদ্রিক সাওরেজনা পীরকপা বোল অমদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল চনখিবা পিয়েরে ওবামিয়ানা অমুক্কা হন্না পাঙ্গল চন্দুনা টিম অদুনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মিনট ২০ ফাদ্রবা মেটচ অদুগী মখা তারকপা মতমদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঙ্গল হন্দোকপা ঙমদনা মখোয় ০-৩দা মায়থীখি। মায় পাক্লবা অর্সনেল থাক অমা হাইগৎলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মেটচ ১৮দা পোইন্ট ৩৭ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। মেটচ ১৭তা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

## ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী সিনিয়র অমসুং জুনিয়র নেসনল ফুটবোল টিমগী অনৌবা য়ুনিফোর্ম লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৯(এজেন্সী): দেল্লিদা বেজ তৌবা স্পোর্টসৱেয়র ব্রেন্দ সিক্স ৫ সিক্স হায়না খঙনবা কম্পেনি অসিগা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা পূন্না খুৎশম্নদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিম (সিনিয়র অমসুং জুনিয়রগী নুপা অমদি নুপী) গী হান্না লৈরম্বা য়ুনিফোর্ম অদুদগী অনৌবা অমা হোংদোক্তুনা ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।



অনৌবা শান্নবগী য়ুনিফোর্ম অসি 'পেন্থেরা টাইগ্রিস' হায়না মিংথোন্দুনা মমাংদা কৈগী অরাংবগী শক্তম অদু য়াওখিবা য়ুনিফোর্ম অদুদি অদুম্মক য়াওরি। ব্লু টাইগর্স হায়না খঙনরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিগী য়ুনিফোর্মদা য়াওরিবা কৈগী অরাংবা শক্তম অদু ফুরিৎকী থবাক ময়াইদা থমদুনা চাওথোকপা, থৌনা লৈবা অমদি পাঙ্গল লৈবগী ৱাখল্লোন অদু উখোল্লি হায়না মীদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোল্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা মহাক্কী ৱারোলদা অনৌবা নেসনল ফুটবোল টিমগী য়ুনিফোর্ম অসি চহী অনৌবা লাকপগা মরী লৈননা লোঞ্চ তৌবা অসিনা য়াম্না চুশিন্নবা তাঙ্কক অমা ওইরি হায়খি। কৈগী অরাংবা শক্তম্না ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমগী মেম্বরশিংদা হোৎনবা লেপ্পিংদবগী থৌনা অমা পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কেপ্টেন লোইতোংবম অশালতানা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা য়ুনিফোর্ম অসি লিৎপদা মতম খূদিংমক্তা নুংঙাইবা ফাওই। হন্দক্কী অসি য়েংবদা য়াম্না ফজবা অমা ওইরি। মদু লিৎলগা টিমগী শান্নরোয় খূদিংমক্তা হান্না লৈরিবা পাঙ্গলদগী অনৌবা লক পীদুনা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

সিক্স ৫ সিক্স কম্পেনিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা য়ুনিফোর্মগী দিজাইন অসিনা মফম অমদি ঈথিল উৎপা ঙম্বা ওইরি। মসিনা তুংদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল মশক তাকপদা নৎতনা ফিল্ডগী ৱাংমদসু মীয়াম্না খঙনরগনি হায়না থল্লকখি।

## টোয়োটা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সিন্ধু, স্রিকান্ত অমসুং সমির মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, সাইনা লৈহৌরে

বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ১৯(এজেন্সী): ঙসিদগী থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা শান্নবা হৌখিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা টোয়োটা থাইলেন্দ ওপন সুপর ১০০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সমির বর্মা মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে। অদুবু অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল মায়থীহৌরে।



হৌখিবা চয়োলদা লোইশিনখিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিচফেল্ডটনা মায়থীবা পীরমখ্রবা মতুং ঙসি পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১২ বুসানন্দবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭-২১-১৩দা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা কিদম্বী স্রিকান্তনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী সিথিকোম থামাসিনবু শুপ্পগী মিনট ৩৭তা ২১-১১, ২১-১১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় সমির বর্মানা ৱর্ল্ড নম্বর ৮ ওইরিবা মলেসিয়াগী শান্নরোয় লি জি জিয়াবু অহানবা রাউন্দদা গেম ৩ চঙনা মায়থীবা পীবা ঙমখি। লিনা অহানবা গেম অদু ২১-১৮দা থোইখ্রবা মতুং সমিরনা মখা তাবা গেম অনী ২৭-২৫, ২১-১৯দা থোইবা ঙমখি।

সাইনা নেহৱালদি অহানবা রাউন্দদা মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা থাইলেন্দগী ইন্টানোনগী মখূৎতা ১৭-২১, ৮-২১দা মায়থীখি।

## এ সী মিলাননা কাগ্লিয়ারিবু পাঙ্গল ২-০দা থোইদুনা মাঙজিল থারি

রোম, জন্যুৱারী ১৯(এজেন্সী): রোমদা লৈবা সার্দেগনা এরেনাদা ঙরাং অথেংবদা য়ূম্বু কাগ্লিয়ারিনা সেরি এগী ১৮শুবা রাউন্দগী মেটচতা এ সী মিলানগা মায়োক্নবদা পাঙ্গল ০-২দা মায়থীবা নংদুনা এ সী মিলাননা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

পনবা য়াই, এ সী মিলান মমাংগী মেটচ ১৭ শান্নবা লোইশিনখিবদা, মেটচ ১২ মায় পাক্তুনা, অদুগা মেটচ ৪ দ্রো চৎলগা শুপ্পগী মেটচ অমখক মায়থীদুনা পোইন্ট ৪০ ফংবগা লোয়ননা ইন্টরগী মথংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, এ সী মিলানগা লম্বা তৌনখিবা কাগ্লিয়ারিগী টিম মমাংগী মেটচ ১৭ শান্নখিবদা শুপ্পগী মেটচ ৩খক মায় পাকখিবা, অদুগা মেটচ ৫ দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ ৯না মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা ১৭শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা এ সী মিলাননা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা ঙন্না এটেক কয়া চত্থরকপা ঙমখি। শুপ্পগী ৭শুবা মিনটতা টিম অদুনা পুশিনখিবা বোল অমা কাগ্লিয়ারিগী পেনাল্টি বোক্স য়ৌশিল্লকপদা কাঙলোনগী ৱাংমদা থিংনবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা এ সী মিলাননা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুদা শরুক য়ারিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় স্বিদেন মচা জলাটান ইব্রাহিমোবিচনা পাঙ্গল ওন্থোক্তুনা কাগ্লিয়ারিবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মখা তানা এ সী মিলাননা পাঙ্গল হাপচিন্নবা হোৎনখিবা অদু কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী অকনবা দিফেনসিভ প্লে তৌরক্তুনা পাঙ্গল হাপচিনবা ঙমখিদে।

নাকল অমরোমদা কাগ্লিয়ারিনা ফংখিবা কাউন্টর এটেকশিংদা এ সী মিলানগী হাফতা পুশিনবা ঙল্লবসু পেনাল্টি এরিয়া য়ৌবা ঙমদনা অরেম্বা তাদুনা মিনট ৪৫গী অহানবা হাফকী শান্নবা অদু ইব্রাহিমোবিচকী পাঙ্গল অদু নৎতনা অতোপ্পা অহেনবা পাঙ্গল লৈখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা কান্নবা ফংদুনা পাঙ্গল ওন্থোকপা ঙমখি। টিম অদুগী দেবিদ কলাব্রিয়ানা ফংখিবা বোল অমা মতাং মতম চানা খাইদোরকপদা অহানবা পাঙ্গল চনবা ঙমখিবা জলাটান ইব্রাহিমোবিচনা পাঙ্গল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুদা মখোয়না কাগ্লিয়ারিবু ২-০দা হেনখি। মখা তাবা পাঙ্গল লৈখিদবদগী এ সী মিলান মায় পাকখি।

ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ

SMART TUTORIAL CENTRE

ADMISSION OPEN

| Revision Course 2021 | Foundation 2021 |
|---|---|
| Class X (BOSEM) | Class X (BOSEM) |
| Class XII (Science & Arts) | Class XII (Science & Arts) |


Commences on 10th & 20th January 2021

- Special fee concession for former student
- Regular mock test with analysis
- Well structured study material
- Separate hostel for boys & girls

For details please visit Smart Tutorial Centre
Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860

HL-P/8361/28/12-26/01

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 11**

**FM Tokman, Ariel (2316) - FM Bognar, Csaba Dr. (2135)**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.b3 d6 | 2.Bb2 e5 | 3.e3 f5 | 4.d4 e4 |
| 5.c4 Nf6 | 6.d5 g6 | 7.Ne2 Bg7 | 8.Qc2 O-O |
| 9.Nf4 Qe7 | 10.Be2 Rf7 | 11.Nd2 Nbd7 | 12.h4 Ne5 |
| 13.Nf1 c5 | 14.dxc6 bxc6 | 15.O-O-O Bb7 | 16.Ng3 d5 |
| 17.h5 g5 | 18.Nxf5 Qd7 | 19.Nxg7 gxf4 | 20.Bxe5 Kxg7 |
| 21.h6+ Kg8 | 22.exf4 Ng4 | 23.Bb2 Nxf2 | 24.Qc3 Kf8 |
| 25.Bh5 Nxd1 | 26.Rxd1 Qf5 | 27.Bxf7 Qxf7 | 28.Kb1 Rd8 |
| 29.Qh8+ Ke7 | 30.Ba3+ Kd7 | 31.Qe5 Kc8 | 32.cxd5 Rxd5 |
| 33.Qh8+ Kd7 | 34.Re1 c5 | 35.Qb8 Kc6 | 36.Qxa7 Qd7 |
| 37.Qa4+ Kc7 | 38.Qa5+ Kc8 | 39.Kc1 e3 | 40.Rxe3 Rd1+ |
| 41.Kc2... | | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 3 moves**

[**Puzzle 10 Ans. : 30**...g6 **31.**Rd7+ Nxd7 **32.**Bxg6+ Kxg6 **33.**Qf7+ Kg5 **34.**Qg8+ Kh5 **35.**Qg4#]
or
[**31.**Rd7+ Nxd7 **32.**Bxg6+ Kh8 **33.**Qxh6+ Kg8 **34.**Qh7#]